# তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মীওই ৪৪৫ মিজোরামদা হৌজিক পন্দুনা লৈরি



আইজোল, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি): লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাওন তৌখিবনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মীওই ৪৪৫ মিজোরামদা হৌজিক পন্দুনা লৈরি হায়না চীফ মিনিষ্টর জোরামথঙ্গানা ফোঙদোখ্রে।

ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা হাংদোকপা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিং অদুদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং নীংথিনা ফংহল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

লোকদাওন তৌখিবদগী অতৈ মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মিজোশিংগী মফমদা নুংঙাইতবা ফোঙদোল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর জোরামথঙ্গানা হায়খি, অতৈ অতোপ্পা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মিজোশিং অথুবা মতমদা হোজ্জিল্লকুবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। সেন্টরনা মে ৩ ফাওবা লোকদাওন শাংদোকখিবদগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ইন্টর ষ্টেট ফাওনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াখিদবদগী মীওইশিং অদু পুরক্নুবা থৌরাং লৌখৎলকপদা অপনবা ওইরে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লোকদাওনগী মতম মে ৪ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না লাউথোক্ত্রিঙৈদা মিজোরামগী কেবিনেটনা এপ্রিল ৩০ ফাওবা লোকদাওনগী মতম শাংদোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরিবা মিজোশিংগী মতেং পাংনবা মিজোরাম গভর্নমেন্টনা হন্দক্তা পোর্টেল অমা লোঞ্চ তৌখি।

চৈরকসিদা, এপ্রিল ২২ দগী ঐচ এস এস এল সী ইগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেটকী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর লালচন্দমা রাতেনা ফোঙদোকখ্রে। ক্লাস টুয়েলভকী ইগজামসু পাঙথোকপা হৌরল্লগা লোকদাওন্না মরম ওইরগা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি। মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেরিয়র মাঙহন্দনবগী পান্দমদা ইগজাম পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌরকপনি হায়রি।

# এপ্রিল ২০ দগী গৌহাটি হায় কোর্টনা হান্নগুম মথৌ তৌরগনি




গুৱাহাতি, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি): লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা থল্লিবা লোকদাওনগী মতম মে ৩ ফাওবা শাংদোকখ্রবসু অকক্নবা হীরম খরদা গৌহাটি হায় কোর্টনা এপ্রিল ২০ দগী মথৌ পাঙথোকপা হৌরগনি।

অদুমওইনমক সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপা মথৌ তাবা মরম্না অরুবা কেস খক্তমক ভিদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা ট্রাইয়ল চথুরগনি। হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রারনা থোকখিবা ওফিসল নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, জজ অমদি উকিলশিংগী মরক্তা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহন্নবা ভিদিও কনফরেন্সকী ফেসিলিটি লৈবা কোর্ট রুমদা ট্রাইয়ল চথগনি।

হায় কোর্টকী কমপ্লেক্সতা তোখায়বা ফেসিলিটি অমা হাংদোক্তুনা উকিলশিংবু মশা-মশাগী ওইবা ৱারোল পীনবগী খুদোংচাবা ফংহনগনি। জজনা অথাপ্পা মফম অমদা ফম্লগা ট্রাইয়ল চথগনি। কনাগুম্বা উকিল অমনা ময়ুমদা লৈন-লৈনা ট্রাইয়লদা শরুক য়ানিংবা তারবদি ইন্টরনেটকী খুথাংদা খুদোংচাবা ফংহনগনি হায়রি।

গৌহাটি হায় কোর্টকী জুরিসদিক্সন মখাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট খুদিংমক্তা ভিদিও কনফরেন্সকী খুদোংচাবা লৈহন্নবা নোটিফিকেসন অদুনা পল্লি।

# অরুনাচল প্রদেশতা অনৌবা মখলগী মহূ কনবা লিন অমা লৈরম্বা থেংনখ্রে



ইটানগর, এপ্রিল ১৭ (এজেন্সি): রিছার্সরশিংনা অরুনাচল প্রদেশতা অনৌবা মখলগী মহূ কনবা লিন অমা লৈরম্বা থেংনখ্রে।

ইন্দিয়াগী রিছার্সর টিম অমনা অনৌবা লিন মখল থেংনখিবগী ৱাফম জুসিষ্টেমেটিক এন্দ ইভোল্যুসন জর্নেলদা ফোঙলকখি।

জে কে রোলিংগী সলাজার স্লিথরিনগী মমিং লৌরগা অনৌবা লিন অদুগী মিংথোল পীখি। থিজিন-হুমজিনবা কাঙবু অমনা পাকে টাইগর রিজর্ভ ফোরেষ্টকী শুক্লবা উমংদা থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথবদা মহূ কনবা লিন মখল অদু থেংনরকখিবনি।

বোম্বে নেচরেল হিষ্ট্রি সোসাইটিগী কঞ্জর্ভেসন ওফিসর হার্শল ভোস্লেনা হায়খি মদুদি, নৌনা থেংনরিবা লিন অসিগী মমিং সলাজার হায়না মিংথোল পীনবা ৱারেপ লৌরে।

রিপোর্ট অমদা জিসান এ মির্জা, ভোসলে, পুস্কার ফন্সালকর, মন্দর সাৱন্ট, গৌরঙ্গা গোৱান্দে অমদি হর্শিল পটেলনা হায়খি মদুদি, অনৌবা স্পিসিস অনী থেংনবগী মনুংদা পাকে টাইগর রিজর্ভ ফোরেষ্টতা থেংনরিবা লিন মখল অসি মমাংদা থেংনখিদ্রি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমখি। স্পিসিমেন অনীগী মোলিক্যুলর দেতা কুপ্পা নৈনবদা অৰাং-নোংপোক লমদমগী অতৈ অতোপ্পা মফম খরদসু অনৌবা মখলগী লিন খরা থেংনবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরে।

রিছার্সরশিংনা উমংদা থেংনবা স্পিসিস কয়ামরুম খোমগৎলগা মখা তানা চাংয়েং তৌবদা অনৌবা লিন মখল অসি মমাংদা অমুক্তা থেংনবা লৈখিদ্রি হায়বা ৱাফম চপ চানা খঙবা ঙমখিবনি। থিজিন-হুমজিনবগী কাঙবু খরনা নুমিৎ তরুক্কি চুপ্না রিজর্ভ ফোরেষ্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কুপ্না থিগৎপদা লিন অহুম থেংনখি। অদুবু লিন মখল অনীদি মমাংদা অতোপ্পা মীওইশিংনা থেংনখ্রবা স্পিসিসনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। অরুনাচলগী উমংদা অতৈ অতোপ্পা স্পিসিস কয়ামরুম লৈরমখিগনি হায়না থাজনরি।

## ষ্টেটকী পাউ

# মীকপ থোকপা নুমীৎ থৌরমদা মহৈরোয়শিংনা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): ৪০রকশুবা রিএলাইজেসন দে (মীকপ থোকপা নুমীৎ) ঙসি পিশুম চিংঙামচাদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী খুভমদা লৈ-শু কৎতুনা থৰায়না পোন্থা ওইখ্রবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

কোভিদ-১৯গী ইস্যু লৈবা মরম্না হন্দক্কী মীকপ থোকপা নুমীৎ থৌরম মমিংতগী ওইনা অথৌবশিংগী খুভম পিশুম চিংঙামচাদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুদা এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদগী চহী ৪০গী মমাঙদা অহল-লমনশিংনা লমদম অসি মীতোপ-মীয়ানচানা মরম ওইরগা মুৎখিবা য়াই হায়বা ৱাখল্লোন ফাওবদগী গো বেক ফোরেন্নরগী মুভমেন্ট চথুখি। ঈহৌ অদুদা থৰায়না পোন্থা পীখ্রবা হুইদ্রোম লোকেন্দ্রো অমদি পোৎশংবম প্রেমানন্দগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎলি। ৪০রকশুবা মীকপ থোকপা নুমীৎ থৌরম অসি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হকথেংননা য়াওবা ফংহৌদ্রবশিংগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। অথৌবশিংনা তৌরম্লিবা থৌদাং খঙমিন্নসি। দল্লিয়ু ঐচ ওনা পীবা গাইদলাইন মতুংইন্না সোসল দিষ্টেন্সিং লৈনা মাস্কনচিংবা শীজিন্নদুনা পাঙথোক্লি।

মীতোপ-মীয়ানচা চঙশিল্লক্লিবা ময়াম অসি লৈঙাক অমদি মীয়াম্না থৌদাং লৌবা মথৌ তারে। গো বেক ফোরেন্নর হায়না এমসুনা থৌদাং লৌরকখি। লৌরম্লিবা থৌদাং অদু হৌজিক চঙশিল্লি। ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম পীরগা চঙবনি হায়বসিনা মীতোপ-মীয়ানচা ময়াম মরমদমদা হলহনখিগদবনি হায়বনি। মীয়াম্না খঙমিন্নরগা চঙশিনবা মথৌ তাই। ত্রক্তা মীতোপ পুশিল্লক্লিবা, লোন্না চঙশিল্লক্লিবা মীয়ানচাশিং এমসুনা থেংনবা তারবদি অফ-ফত্তগী থৌদাং ত্রক মপু অমদি লৈঙাক্লা পুগদবনি। পোলিসী প্রোগ্রাম কয়া মখোয়বু পুশিল্লক্তনবা শেমগদবনি। অথৌবা অনীনা থৰায়না পোন্থা পীখিবদু নীংশিংলি। জেনিমস, রিমস অমদি শিজ হোস্পিটালদা ঈ পীবগী থৌরমসু পাঙথোক্লি।

মহৈরোয় মীয়ামগীদমক ওনলাইনদা পুথোক্তুনা থবক পায়খৎলি। অদুবু চীংগী লমদদি ইন্টর্নেট লৈতবনা ফংবা ঙমদ্রি। টিভি চেনেলদা ভিদিও ক্লাস তৌরবদি যুমদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা খঙহনবা য়াগনি। মসিগী থৌরাং লৌখৎপীয়ু। লাইরিক হোম দেলিভরি তৌবগী থবক অথুবদা হৌদোক্লগা অচৌবা থৌদাং এমসুনা লৌগনি। মীয়ামগীদমক এমসু লৈরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মোইরাং এ সীগী এক্স-এম এল এনা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ইন্দিয়া পুম্বদা লোকদাউন তৌখিবনা অৰাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামদা খরদা ওইরবসু অৰাবা কোক্নবগীদমক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং এ সীগী যুমথোঙ খুদিংদা ফংহন্দুনা অৰাবা খরদা কোক্নবগীদমক মোইরাং এ সীগী এক্স-এম এল এ, এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা এম প্রিথিবিরাজগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা চান-থক্নবা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা মোইরাং এ সীগী মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৫গী কাউন্সীল্লর পি ঐচ মধাভিগী যুমদগী এক্স-এম এল এনা হৌদোকখ্রে।

মরুওইনা এক্স-এম এল এ, কোংগ্রেস কাউন্সীল্লর, এক্স-কাউন্সীল্লরশিং অমদি কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা অঙন্বা শেল খায়নরগা এ সী অসিগী যুমথোঙ খুদিংদা ফংহনগদৌরিবা চানবা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকপা, হৌদোকপা থৌরম অদুদা ৱার্দ নম্বর ৫গী যুমথোশিংদা চঙদুনা এক্স-এম এল এ প্রিথিবিরাজ, কাউন্সীল্লর ৱার্দ নম্বর ৫গী পি ঐচ মধাভি অমসুং মোইরাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি, মোইরাং এসেমব্লী যুথ কোংগ্রেস, মোইরাং ব্লোক মহিলা কোংগ্রেসকী ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি। মীয়ামদা ফংহল্লিবা চান-থক্নবগী পোৎলমশিং অদুদি, আলু, তিলহৌ, থুম অমসুং অচাথাউনচিংবা য়াওরি হায়রি। অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদসু তেংবাংগী পোৎলম য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোক্নরি।

# মপানগী মহৈরোয় ৭০০ তা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): ঙসি নেসনল হায়ৱে-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী পরিংদা লৈরিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মাও, মরাম অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯)গী মায়োক্তা লোকদাউন চথুরকপদগী পন্দুনা লৈরকপা মহৈরোয় ৭০০ তা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঙসিগী পোৎলমশিং অসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি, সেনাপতিনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসন, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এস দি এস এ) অমসুং চাইল্ড লাইন সেনাপতি (১০৯৮) গা খুৎশম্নদুনা য়েন্থোকখিবনি। পোৎলমশিং অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্টসিগী লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চেয়রমেন সামোম বিজেননা লুচিংদুনা য়েন্থোকখিবনি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২ হিয়াংথাং সী দি ব্লোককী মনুং চল্লিবা ওইনাম থিঙেল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান থোঙাম গুনেশ্বরনা মরন্নাই শেল পুথোক্তুনা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুংদা লৈবা যুমথোঙ ১৫০০ রোম অমসুং অশানবা যুমদা লৈবা মীওইশিংদা নোংমগী হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

# ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মতেং পাংখ্রে

জিরিবাম, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ফেমিলি অমদা ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এল ভীরজিৎ, প্রোটোকোল ওফিসর এন্দ মীদিয়া এদভাইজর টু প্রসিদেন্ট বি জে পি, পি ঐচ ফোনি মৈতৈ, প্রসিদেন্ট ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি আর কে বিমোলা প্রসিদেন্ট বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বি জে পিনা চান-থক্নবগী পোৎলমশিং অমদি শেলগী মতেং পাংখ্রে।

মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লাপ্পা দিষ্ট্রিক্টনি খঙনরিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওই কয়া অমা ইম্ফাল সিটিদা পন্দুনা লৈরিবশিংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মীওইশিংনা অঙন্বা মতেং পাংদুনা লাকপগী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসি ইম্ফালদা লায়েংবা লাকপদগী লোকদাউন তৌশনখিবনা হনবা য়াদদুনা বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ওফিসতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী হিলঘাটতগী ফেমিলি অমগী মীওই ৪দা চান-থক্নবা অমদি শেলগী মতেং পাংখ্রে হায়রি।

# 'লৈকাইদা য়ু য়োনবীগনু'

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী থৌমীশিংনা লৈকায় অসিগী অকোয়বদা য়ু ফাবগী দ্রাইভ চথখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা লোকদাউন তৌদুনা হা-কার লাউনরবা মতমসিদা য়ু য়োন্দুনা অমদি মীওইবগী হকচাং শোকহনবা যুবু য়োল্লিবা মীওইশিং অসিনা মতুংদা অমুক হন্না তৌরক্লবদি অকনবা এক্সন লৌগনি। মী পুনবা য়াদবা মতমসিদা ইমুংদা মী ময়াম পুন্দুনা জ্বার শান্নদুনা শানৈ-য়ুনৈবা তৌবীগনু। লৈকায়সিগী মনুংদা লৈরিবা মীয়াম্নসু য়ু য়োনবীগনু। লোয়ননা থংনবা লৈকায়শিংদসু লৈকায়দুদা লৈরিবা মৈরা পায়বীশিংগা খুৎশম্নরগা যুগী দ্রাইভ চথবা হৌরগনি। পুম্নমকসি মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক্তনি হায়না সোসাইটি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ৬৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা চান-থক্নবা পোৎলম তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্না পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবদগী চান-থক্নবা পোৎলমশিং ফংদবনা মীয়াম্না ৱানরবা চৈরক অসিদা অচানবিগৈদা লৈবা পোইরৈ নৱাকোল হোমদা ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ৬৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ফাইট এগেন্স কোভিদ-১৯ হায়না পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চান-থক্নবা পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে।

থৌরম অদুদা ৬৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট উজ্জ্বাল দত্ত, দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট সুনিল পনৱার অমদি মেদিকেল ওফিসার পোৎশংবম প্রেমলাতানা পোইরৈ নৱাকোল হোমগী অঙাংশিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা পোইরৈ নৱাকোলগী ফাওন্দর সৌবাম ইনাওচা অমদি পোইরৈ নৱাকোলগী মরুওইবা থৌপুবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## স্কুল হুমদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কাংচুপ চিরু গভর্ণমেন্ট য়ু জে বি স্কুল অসি থা অসিগী ১৫ গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা মরম ওইরগা হুমদোকখ্রে হায়না স্কুল অসিগী বোর্দকী চেয়রমেন থোনসিং চিরুনা ফোঙদোরক্লি।

স্কুল হুমদোকখিবা অসিগা মরী লৈননা থোনসিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা মরম ওইরগা স্কুল অসিগী ক্লাস রুম ৩ অমাঙ-অতা থোকখি। কা মনুংদা লৈরিবা ফর্নিচর অমদি ব্লেক বোর্দনচিংবসু অমাঙ-অতা থোকখ্রে। মসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## য়ুম অমা মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): লিলোং পুলিস ষ্টেসনদগী নোংচুপ পাংনা কিলোমিটর ২ রোম চৎলগা লৈবা লিলোং হাওরৈবী লৈহাওখোংদা লৈবা উনা মথক মখা শাবা য়ুম অমা ঙরাং নুমীদাং পুং ৯.৪৯ রোম তাবদা খঙহৌদনা মৈ চাকখ্রে। য়ুম্বু অদুগী মমিংনা মৌলুবী অব্দুল হৈ কৌই।

মৈ চাকপা অদুদা মথক থংবা কা অদুদা লৈবা য়ুমগী পোৎলমশিং অয়াম্বা মৈ চাকখ্রে। মফম অদুদা য়ুম মৈ চাক্লে হায়বা পাউ হেক ফংবগা ইম্ফাল অমদি থৌবালগী ফায়র সর্ভিসকী কাঙবুনা থৌদোক থোকফম অদুদা চঙশিন্দুনা মৈ অদু ঈশিং কাপশিন্দুনা মুত্থৎখি। মৈ অদু কেন্দল থানবদগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। অদুবু চপ চাবদি খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# চান-থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংননবা লোকদাউন চথুরিঙৈ মনুংদা মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং অসিদা তেংবাংবা ওইনা পৌরাবী য়াইফ নহারোল কাঙলুপনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা তেংবাংখ্রে।

পৌরাবী য়াইফ নহারোল কাঙলুপগী চেরোল অমনা হায়, পৌরাবী অৰাং, পৌরাবী মখা লৈকায় অমসুং পৌরাবী ময়াই লৈকায়দা লৈবা যুমথোঙ ৪০০ রোমদা আলু, হৱাই, ঙারি, থাউ-থুম অমদি মোরোকনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবনি। পৌরাবীগী লৈশাবীশিংনা থাবল চোংনবগীদমক থমজবা শেনফম লুপা লিশিং ৩০ অমদি পি এন ৱাই কেগী মেম্বরশিংনা অঙন্বা শেনফমশিং পুথোক্নরগা তেংবাং পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু মনুংদা চান-থক্নবা অমদি নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৰাবা মায়োক্নরিবা মীয়ামদা মতেং ওইনবগীদমক সেল্ফ হেল্প ক্লব লৈফ্রাকপমনা শীল্লগা লৈফ্রাকপম খুনদা লৈবা পুকচেল চাউরবা মীওইশিং, কাউন্সীল্লর অমদি ৱাঙ্গোই এ সীগী সোসল ৱার্করশিংগী মতেংদগী যুমথোঙ ২৬০ রোমদা আলু, হৱাই, থাউ-থুম অমদি সরপনচিংবা তেংবাং পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না সেল্ফ হেল্প ক্লবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচএনএস): সোসল ৱার্কর এল জয়ানন্দগী লুচিং মখাদা খুরাই এ সীগী মনুংদা লৈবা ফক্নুংদা ফক্নুং সোসল য়ুথ ক্লবকা খুৎশম্নরগা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরি জেনরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, লৈকায়গী নহাশিংদা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি। মসিগীদমক ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মখা তারি।

## CROSSWORD-3419



### ACROSS
1 Minestrone, for example (4)
3 Age of majority (8)
9 Uncharged atomic particle (7)
10 First appearance (5)
11 Native American tent (5)
12 Holiday destination (6)
14 Gifted (anag.) (6)
16 Toil (6)
19 Hitchcock film (6)
21 Humorous (5)
24 Wanderer (5)
25 Clinging part of a plant (7)
26 Contrite (8)
27 Small insect (4)

### DOWN
1 Hallow (8)
2 Take power unlawfully (5)
4 Cold-shoulder (6)
5 Mythological abode of the dead (5)
6 Trading ban (7)
7 Crazy (4)
8 Gentle wind (6)
13 Item of jewellery (8)
15 Refuse collector (7)
17 Esoteric (6)
18 Putrid (6)
20 Military trainee (5)
22 Idiot (5)
23 Children's card game (4)

**Solution 3418**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | W | E | L | V | E | S | | F | I | L | M | S |
| O | | D | | E | | C | | I | | E | | H |
| P | R | I | O | R | | A | L | L | E | G | R | O |
| M | | C | | T | | L | | T | | S | | W |
| O | U | T | S | I | D | E | | H | O | L | L | Y |
| S | | | | G | | S | | | | I | | |
| T | A | T | T | O | O | | S | L | I | P | U | P |
| | | A | | | | A | | E | | | | O |
| L | I | C | I | T | | B | A | C | C | H | U | S |
| A | | T | | A | | S | | T | | E | | S |
| I | N | F | E | R | N | O | | E | R | A | S | E |
| R | | U | | R | | R | | R | | T | | S |
| S | A | L | L | Y | | B | E | N | C | H | E | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3218**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 4 | | | | | |
| 1 | | 6 | 9 | 2 | | | | |
| 9 | 3 | 4 | | 5 | 1 | | | 2 |
| | | 5 | | | | | | |
| 4 | 1 | 3 | | | | 9 | 2 | 7 |
| | | | | | | 5 | | |
| 7 | | | 1 | 9 | | 3 | 8 | 6 |
| | | | | 7 | 4 | 1 | | 5 |
| | | | | | 8 | | | |

**Solution-3217**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 1 | 7 | 6 | 4 | 9 | 3 | 5 | 2 |
| 9 | 2 | 5 | 3 | 7 | 8 | 6 | 4 | 1 |
| 3 | 6 | 4 | 5 | 2 | 1 | 8 | 7 | 9 |
| 1 | 3 | 8 | 7 | 5 | 4 | 9 | 2 | 6 |
| 2 | 5 | 6 | 1 | 9 | 3 | 4 | 8 | 7 |
| 7 | 4 | 9 | 2 | 8 | 6 | 1 | 3 | 5 |
| 4 | 8 | 2 | 9 | 6 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 5 | 9 | 3 | 4 | 1 | 7 | 2 | 6 | 8 |
| 6 | 7 | 1 | 8 | 3 | 2 | 5 | 9 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম







